GAS

Maibia Gas, Moirang
BK. 30-03-2017
SL. NO. 6886
V.F. 27-03-2017...STK 306
Delivery time 7 am to11 am

Nongpok Sekmai JCD Indane
BK. 18-04-2017
V.F. 24-03-2017...STK 306
Delivery time 7 am to 10 am

K&K Indane
BK. 7-04-2017
V.F. 30-03-2017...STK 306
Delivery time 7.30 am to 11 am

RBD Indane Service
BK. 4-04-2017
V.F. 23-03-2017...STK 612
Delivery time 6 am to 10 am

প্রেমিয়র অমসুং লেলিনদা নেস্নেল এক্সিলেন্ট এৱার্দ ২০১৭ খুৎশিন্নরকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ লমদম অসিদা লৈরিবা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংগীদমক কৎথোকপা অমগা লোয়ননা মখোয়গী চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎপবু শক খংলদুনা ইম্ফালগী শিংজমৈ চীংঙামথক পিশুম হাওগ্রাউন্দ হায়জিনফমদা লৈবা রিলিফ সেন্টর ফোর দ ৱেলফেয়ার ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সন মণিপুরগী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর মোইরাংথেম প্রেমিয়র অমসুং সেন্টর অসিগী ভাইস প্রসিদেন্টগী থৌ পুরীবা লেলিন হিরোম অনিবু নেস্নেল প্লেটফোর্ম ফোর দিসএবল্ড রাইটস এন্দ দ্যুটিস নিউ দিল্লিনা নেস্নেল এক্সিলেন্ট এৱার্দ ২০১৭ (ইন্দিভিজুয়েল কেটেগোরি) খুৎশিন্নরকখ্রে।

গ্রুপ কেটেগোরিগী ওইনসু রিলিফ সেন্টর অসিনা লুচিংবা অনিগী মখাদা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংগীদমক লৌরিবা থৌদাংবু শক খংলদুনা রিলিফ সেন্টর অসিসু এৱার্দ অসি হৌখিবা জুন ১৩ নিউ দিল্লিদা খুৎশিন্নখিবনি।

নিংশিংবা য়াবদি রিলিফ সেন্টর অসিনা মোইরাংথেম প্রেমিয়র অমদি লেলিন হুইরোম অনিনা রিলিফ সেন্টর অসিগী থৌমীশিংগা লোয়ননা লমদম অসিগী চীং অমসুং তমদা লৈরিবা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংবু হকথেংননা উন্নদুনা মখোয় মখোয়গী অৱা-নুংঙাইদা শরুক য়াদুনা লাকখি

চিফ মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ মণিপুরদা জরদা, খৈনি, হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অমদি নিশাগী পোৎলমশিং থিংবগী খোঙথাং লৌখৎলকপগা লোয়ননা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী লুচিংবা সরকার অসিনসু অকনবা দ্রাইভ চথদুনা নিশাগী পোৎলম কয়া ফাগৎলগা মাঙহনবনচিংবা অফবা প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎলকপদা নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংবা বি জে পিগী চুংশিন্নবা অনৌবা সরকার অসিবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকই হায়না মণিপুর ফ্রেন্দসিপ ওর্গনাইজেসন বাবুপরাগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, ওর্গনাইজেসন অসিগী মায়কৈদগী থুব্লক্লিবা ৱাফমদি, অসিগুম্বা মতিং থোক্লা পায়খৎলিঙৈ চৈরক অসিদা পোৎলমশিং অসি বজারদা অমদি লৈরক খুল্লক্তা ফংবদি ইকোম কোম্না অদুমক ফংনরি। অদুগা হন্দকক্তা মতপ অমদা লুপা ৫ দগী ১০ পীরম্বা অদু হৌজিক্লা লুপা ১৫ দা ফংদুনা পোৎলমশিং অসিনা করবার তৌরিবশিংদা হেন্নদুম শেন্দোং ফংবগুম্ব তৌরে। মসিনা তাকপদি করবার অসিদা সরকারগী ব্যুরোক্রেট ওফিসারশিংবুশিজিন্নবা ঙম্লা, শঙ্গায়াম্না চাওবা খুৎপু অমা য়াওরে হায়বসি তাকপনি। মরম অসিনা সরকারনা চথরিবা দ্রাইভ অসিদা অসিগুম্বা খুৎপু অসিগী লুচিংবশিংসু ফাগৎতুনা মীয়াম মমাংদা পুথোক্তুনা চৈরাক পীবিয়ু। মরুওইনা দুকান্দরশিংনা পোৎলমশিং অসিবু লৌথোকপা অমদি য়োনবীদনবা ওর্গনাইজেসন অসিনা অপিল তৌরক্লি। হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা পাউশিং ওর্গনাইজেসন অসিদা নত্রগা সরকারগী ওথোরিটিদা পীবিয়ু।

ওর্গনাইজেসন অসিনা দ্রাইভ চথবদা ওর্গনাইজেসন অসিগী মেম্বরশিং খুদোংথিবা থৌদোক থোকপদগী ফার্ষ্ট এইদ পীনবা হৌখিবা জুন ১৫ গী অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা প্রাইমারি সব-সেন্টরদা চঙশিল্লুবদা মপালগী থোং অমা হাংদোক্লগা মনুংগী থোং ছোঅচৌবা অমা লোন্দুনা লৈরম্লা অমদি কনাগুম্বা মীওই অমত্তসু লৈরমদবা লোয়ননা ষ্টাফনচিংবা কনা অমত্তা লৈরমদে। থৌওং অসিমক ওর্গনাইজেসন অসিনা থম্মোয় শোক্ল নুংঙাইতবগা লোয়ননা হেলথ মিনিষ্টর অমদি ওথোরিটিশিংগী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

নাফসাগী মখাদা থা ৫গী চেং ফংখিবা লৈতে

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১৫গী কাউন্সিল্লর লাইশ্রম ওংবী পাতেশ্বরি দেবীনা ৱার্দ অদুগী ওইনা নেসনেল ফুন্দ সেক্যুরিটিগী মখাদা থা খুদিংগী য়েল্লি, য়েনখিদবা থা অমত্তা লৈতে হায়না হৌখিবা তাং ১৪ দা মেদিয়াদা ফোঙদোকখিবা অদু অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি হায়না ঙরাং মাইবম চীংমাং মমাং লৈকাইদা লৈবা কে বিরমঙ্গোল সিংহগী শঙ্গোইদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱার্দ নম্বর ১৫ অসিগী রসন কার্ড হোল্ডর অমা ওইরিবা মাইবম রোনিবালানা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, হৌখিবা চহী ২০১৬কী এপ্রিল থাদগী নাফসা চৎনবা হৌখিবদগী নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১৫ অসি থা খুদিংগী চেং য়েনখিবা লৈতে। হৌজিক ফাওবা থা ৫গী চেং ফংদনা লৈরি। হিরম অসিদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি। পাউগী মীফম অদুদা ৱার্দ নম্বর ১৫গী রসন কার্ড হোল্ডরশিংসু শরুক য়াখি।

ঈচাও হন্থখ্রবসু অৱাবদি মায়োক্নরি

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ থৌবাল কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈরিবা লৈশাংথেম অৱাং লৈকাইদা হন্দক্তা ঈশিং ঈচাও অদুদা কায়খিবা তুরেল খোংবাল সরকারগী মাইকৈন্দগী অথুবা মতমদা শেমজিনবীয়ু হায়না ইনি দরা মেমোরিয়েল ক্লব লৈশাংথেমনা সরকারগী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

ক্লব অসিগী সেক্রেটরি কেএসঐচ বুধনা ফোঙদোকখিবদা জুন ১৪দা থৌবাল তুরেলগী লৈশাংথেম অৱাং লৈকাই অঙৌ খোংবালদা ফুট ৩০ রোম শাংনা কায়খিবা মফম অদু শেমজিন্দনা লৈরি। মসিনা মথং অমুক ঈচাও লাক্লবদি মীয়ামদা অমুক হন্না ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নবা য়াবগী অকিবা লৈ। হন্দক্কী ঈচাও অদুদা লৈশাংথেম অৱাং লৈকাইগী য়ুম ১৩০ রোম থুমজিন্দুনা অমাং অতা থোকখি। অদুবু হৌজিক ফাওবদি সরকারগী মাইকৈন্দগী মাং তকখিবশিং অদুগী মতেং অমত্তা ফংদ্রি। অঙৌ খোংবালদা কায়রিবা মফম অদু মীয়ামনা ঙাইহাক্কী ওইনা ঈশিং থিংনবা থোনখিবনি। মসিদা নৌনা অমুক ঈচাও থোক্লবদি অমুক্লা হেন্না খুদোংথিবা নংগনি। লৈশাংথেম অৱাং লৈকাই অমসুং ৱাংমা তাবগী তুরেল খোংবাল অসি নেম্বা মরমনা মফম কয়াদা ঈশিং পাথোকপা কয়া লৈরি। হায়রিবা মফমশিং অসিদসু ইফুৎ ফাওফম কয়া অমা মেন্দনা লৈরি। অসিগুম্বা কয়া অসি য়েংলগা সরকারগী মরী লৈনবশিংগী মাইকৈন্দগী মীৎয়েং চংবীয়ু হায়খি।

জুন ১৪গী অহিংদা খঙহৌদনা লৈশাংথেম অৱাং অঙৌ খোংবালদা তুরেল কায়খিবা অদুনা লৈশাংথেম লৌকোলদা লৈবা ঙাগী ফার্ম অমসুং য়ুমগী পুখ্রি কয়াদা য়োকপা ঙাশিং পাথোক্তুনা মাংবা য়াওনা য়ুম ১৩০ রোম ঈশিং থুমজিনখ্রবনি। হৌজিকসু ঈচাও অদুনা অৱাবা নংখ্রবা মীওই কয়া য়ুমদা চংবা য়াদনা লৈকাইগী কম্যুনিটি হোল, ৱেটিং সেটঅমসুং স্কুলদা য়ারেক্তুনা লৈরি হায়রি।

মাওইষ্টনা জেনরেল ষ্ট্রাইক...

মণিপুরদা হান্দুনা লৈরে হায়বসি ময়েক শেংবা ৱাফম ওইরে। মরম অদুনা থা অমগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরদা লৈরিবা এন এস সি এন (আইএম)গী ক্যেম্পশিং তকথোক্কদবনি। করিগুম্বা মখা তানা লৈহনবা তারবদি ওক্টোবর ১ দগী হৌরগা লুপ অসিনা লুচিংদুনা মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা ঈহৌ চংশিল্লগনি হায়রি।

চিনাদা কোন্সুল জেনরেল ওফ...

অৱাং নোংপোক ভারতকী ষ্টেটশিংগী মরক্তা মমাংঙৈদগী হৌনা অফবা পোলিটিকেলগী ওইবা মরী লৈরমই। সেকেন্দ ৱার্ল্ডৱারদা লিদো রোদকা য়ুনানগী কুমনিংগা শম্নরমই। য়ুনানগী চাওখৎপগী মোদেল অসি মণিপুরনসু অদুনা চাওখৎপা মণিপুর অমা য়াম্না লাইনা ওইহনবা য়াই। য়ুনানগী মোদেল মণিপুরনা মতৌ অদুনা মণিপুর অসি হিরম খুদিংদা চাওখৎপা ষ্টেট অমা ওইহনবা য়াগনি।

য়ুনান অসি মণিপুরগী দিভলপমেন্ট পুরক্নবগী মোদেল অমা ওইনা লৌবা য়াগনি। মণিপুর অমসুং য়ুনান প্রোভিন্স অনি অসি মান্নবা মোদেল কয়া লৈরি। চপ মান্নবা জিওগ্রাফিকেল কন্দিসন অমসুং ক্লাইমেটিক কন্দিসন লৈ। মণিপুরগুম্না য়ুনান প্রোভিন্স অসিসু ইথনিক জাতি কাংলুপ কয়ানা লৈবা ষ্টেটনি। য়ুনানগী চাওখৎপগী মোদেল অদু মণিপুরনা কোপি তৌনবা হোৎনসি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, য়ুনান অসি ভারত অমসুং চীনা অনিগী লেন্দ ব্রিদজ অমনি। মণিপুর অমসুং য়ুনান অনিগী মরক্তা অফবা রিলেসন অমা শেমগৎপা ঙম্লবা হোৎনসি। মণিপুর অমসুং য়ুনান প্রোভিন্স অনিগী মরক্তা অফবা মরী শাগৎপা ঙম্লগদি মণিপুর অসি য়াম্না লায়না চাওখৎপা ষ্টেট ওইগনি। দিল্লি অমসুং বৈজিং অনিগী খুখাংদা মণিপুর অমসুং য়ুনান প্রোভিন্স অনিগী মরক্তা অফবা মরী অমা পুরক্নবা মণিপুর সরকারনা হোৎনবিয়ু হায়না সাইলাস থঙ্গালনা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা লুচিংবা টিম অদুদা মণিপুর সরকারগী কমর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি এল লাখের, কমর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী দাইরেক্টর এম লুইখম, মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরগী মেদিয়া কোওর্দিনেটর এল বসন্ত শর্মা, নোর্থইষ্ট ফেন্দরেসন ওন ইন্টরনেস্নেল ত্রেদ, মণিপুর চেম্বরগী প্রসিদেন্ট চন্দ্রকিশোর সিংহ অমসুং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ নম্বর ১৮ গী কোর্পোরেটর এল ইনুংঙানবী দেবীসু য়াওরি।

CHAOKHAT KHONGTHANG JOB CONSULTANCY
LOKLAUBUNG THONG Near, Loklaobung Gas

PROVIDING PROPER GUIDE LINE FOR ONGOING / UPCOMING RECRUITMENTS IN MANIPUR, N/E & OTHER STATES

(1) TERRITORIAL ARMY RECRUITMENT FOR OFFICERS. Last Date : 30/6/2017, No Physical Test, Qual : Graduate, Age: 18-42
(2) NAVY: 10+2 (B.Tech) Recruitment for Cadet Entry Scheme (Permanent Commission)Course Commencing Jan. 2018, Last Date 25/6/17 (Un Married Male) Qual : XII Sc or Equivalent (PCM-70% & Eng -50% , X or XII Age between 2/7/98 - 1/1/01
(4) AIRORT : Vacancies for Guwahati / Kolkata / Delhi

URGENTLY JOB OPPORTUNITY IN MANIPUR. POST

	Post	Qualification	Salary
1) SECURITY GUARD	10	VIII Passed	4000 - 6000/-
2) DRIVER	7	VIII Passed	3500 - 6000/-
3) HELPER	5	VIII Passed	3500 - 6000/-
4) HOME TUTOR	5	....	3500- 6000/-
5) COOK	5	VIII Passed	3000 - 5000/-
6) HOME HELPER	5	VIII Passed	3000 - 5000/-

INTERVIEW DATE : 30/06/2017
Last date 28/06/2017
Contact : # 9863392235, 9774811833
NT/71442/15-29(June)

লৌতুনবা মানবা মওংদা সরকারনা দাক্তর অমা থবক্তগী লৌথোকখিবা য়ানিংদে ঃ *জেএসি*

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা সেনিয়ার এমও ওইনা লৈরিবা দাক্তর এল সুভাসচন্দ্রবু লৌতুনবা মানবা অমদি ওইদবা মরাল কয়া শিজিন্দুনা সরকারনা থবক্তগী লৌথোকখিবসি য়ানিংদে হায়না মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা থৌদোক অসিগী মতাংদা শেমখিবা জেএসি এগেনষ্ট দ সস্পেন্সন ওফ দাক্তর এল সুভাসচন্দ্রগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা জেএসি অসিগী প্রসিদেন্ট এম থবানা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা চহী ২০১৫ গী মমাংদা দাক্তর এল সুভাসচন্দ্রনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লাক্ত্রিঙৈদা হোস্পিটাল অসিদা দিলিভরি ওপরেসনগী খুদোংচাবা লৈরবসু মতিক চাবা দাক্তর লৈতবনা মরম ওইরগা পেসেন্ট খরাখক্তম য়াম্না তাংনা অঙাং উন্নখিবা ঙাক্তনি।

ডাঃ এল সুভাসচন্দ্রনা হোস্পিটাল অসিদা হেক লাকপদগী ঙসি ফাওবদা অশোই অঙাম য়াওদনা নোংমদা পেসেন্ট ৩ দগী তাদনা ওপরেসন তৌদুনা অঙাং উন্নহল্লি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অরাপ অরাপ্পা কাচিন কোয়াদা লৈরিবা প্রাইভেট হোস্পিটাল রিমস অমদি জেনিমসনচিংবদা চৎতুনা লায়েংবা ঙমজদ্রবা লাইরবা মীরোনবীশিংবু লায়েংদুনা লাক্লি।

ওপরেসন অমা তৌবা হায়বসি দাক্তর অমদি নর্সকী টিম অমনা তৌবনি। মহাক্না ওপরেসন তৌবা মতমদা অনাবশিংদগী শেলগী দিমান্দ তৌই হায়রিবসি জেএসিনা প্রমানগা লোয়ননা অশেংবা অমা খংবা পাম্মি। হৌজিক ওপরেসন তৌবদা চংলিবা টিম অদুবু থবক্তগী লৌথোকপগী মহুৎতা ডাঃ সুভাসচন্দ্র খক্তদা অতক্কনা তৌরিবসি কনাগুম্বা মীওস খরনা নুংঙাইতবা লৈবগীরা হায়না জেএসিনা চীংনদবা ঙমদে।

ডাঃ সুভাইচন্দ্রনা করিগুম্বা নিয়মগী ৱাংমদা থবক তৌরম্লবদি জেএসিনা কৈদৌনুংদা কনখৎলোয়। পেসেন্ট অমগী পেনবা পেন্দবা লৈরবসু মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট নত্রগা ফমুং থংননা লৈরিবা পেসেন্টশিংনা হেন্না খংফম থোকই। মরম অসিনা দাক্তর অসিদা শিরিবা মরাল অসি কদাই ফাওবা চুল্লিবনো হায়বা মীয়াম অমদি জেএসিদা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা শেংদোকপীরকউ। করিগুম্বা শেংদোরক্তবা থোক্লবদি জেএসি অমদি সিএসওশিংগা খুৎশন্নরগা অকনবা খোঙজং কয়া চংশিন্নবা শেম শারে। মসিদা থোক্লকপা অফ-ফত্তা দায়ত্ব সরকারনা পুগদবনি।

ব্লদ দোনেসন

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ লাক্লিবা জুন ২১ দা ৪ শুবা ফউন্দেসন দে ওফ ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ত্রান্সফ্যুজন য়ুনিট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবাল খাঙবোক অমদি ৱার্ল্ড ব্লদ দোনর দে ২০১৭ গা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা ভল্যুন্টরি ব্লদ দোনেসন ক্যেম্প কম এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্লগনি।

ব্লদ দোনেসন ক্যেম্প অসি ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ত্রান্সফ্যুজন য়ুনিট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবাল খাঙবোক অমদি এসোসিয়েসন ওফ ভল্যুন্টরি ব্লদ দোনর মণিপুর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ অনিনা খুৎশন্নানা শিন্দুনা ষ্টেট ব্লদ সেল এন ঐচ এম মণিপুরনা স্পোন্সর তৌদুনা ক্যেম্প অসি ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ত্রান্সফ্যুজন য়ুনিট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবাল খাঙবোক্তা পাঙথোক্কনি। হায়রিবা ক্যেম্প অসিদা নুপা অমসুং নুপীশিংনা মশাগী চহী ১৮ দগীনা ৬৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক ফোন নম্বর ৯৮৫৬৬৫২৭৮৯ দগী খঙবা য়াগনি হায়না এসোসিয়েসন ওফ ভল্যুন্টরি ব্লদ দোনর মণিপুর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী চেরোল অমনা হায়রি।

নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ দাইরেক্টোরেট ওফ মাইনোরিটি এন্দ অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস ইম্ফালনা শিন্দুনা লাক্লিবা জুন ২৩ দা মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন ইম্ফালগী হোলদা নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ অমা পাঙথোক্লগনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্কসোপ অসিগী তোপিক্তি 'সেন্সিটাইজিং এন্দ ক্রিয়েটিং এৱার্নেস এমোং দি ষ্টুদেন্ট ওফ দি নোর্থইষ্টর্ন ষ্টেট মণিপুর, হু আর গোইং আউট ওফ দি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট টু ভেরিয়স পার্ট ওফ দি কন্ত্রি ফোর হায়র এদুকেসন' হায়বসিদনি।

নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ অসিদা অৱাং-নোংপোক্কী মাইনোরিটি মহৈরোইশিংনা মরুওইনা মণিপুরগী মাইনোরিটিশিংনা ক্লাস এলেভেন অমদি টুয়েল্বকী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। অদুগা জুন ২৪ দসু সেক্যুয়োর ওফিস কমপ্লেক্স ইম্ফালগী কনফরেন্স হোলদসু নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ অমা পাঙথোক্কনি। অকুপ্পা মরোল mobc-scholarships@googlegroups.com দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

দ্রগ ফারে

হেরোইন নম্বর ফোর ফারে।

দ্রগশিং অদুগা কোন্ননা ফারবা মীওই অদুদি এমদি সফরউদ্দিন (৪০) অপোকপা লৌখিদ্রবা এমদি নিজামউদ্দিন কৌই, লিলোং হাওরৈবী মখা লৈকাইদগীনি।

পুলিসত্তী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না দ্রগশিং অদু মীওই অসিনা য়াম্না হৈশিংনা গাড়িগী ষ্টিয়ারিং মনুংদা লোৎতুনা পুরকপনি হায়রি।

মীওই অসিগী মথক্তা এনদিপিএস এক্তকী মখাদা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তবা আইনগী থবক চথবা হৌখ্রেসু হায়রি।

অশিবা হকচাং ৪ ফংলে

অমসুং অচানবিগে ফাওন্নবা থোংখোংদা অশিবা হকচাং অমসু তওথরক্লে হায়রি।

পুলিসত্তী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না মীওই অসি সাইকুল সব দিভিজনগী খাওচংবুং ভিলেজদগী পাওমিলাল শিতলৌ (৩৩) অপোকপা লুংশোৎ শিংলৌ কৌই। মীওই অসি হৌখিবা জুন ১৩ দগী থিফম খংদনা লৈরকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা লিলোং অতৈখোং মদ্রাসা মনাক্তসু অশিবা হকচাং অমা লৈরম্লে। পুলিসত্তী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না ক্লকেথেল ময়ায় কোইবী নিংথৌজম লৈকাইদগী খাংলেম্বম থোমাস (২০) অপোকপা কেঐচ কোইরেং কৌই হায়রি।

এআর না ৱারেপম বসন্তা...

তম্না লাকপা মতমদা কহাক্কী য়ুমগী থোঙ্গাল ময়াদা গাড়ি খরা খামদুনা লৈরম্বদগী মহাকপু কনাগুম্বা খরনা ঙরাংগী থৌদোক অদুগা মরি লৈননা ফাবা লাকপা ওইরমগনি খনবদগী হেন্না অকিবা অমগা লোয়ননা মফম খংদনা মথং মথং লাকপদগী ককচিংদা থুংখি। মখা তনা ককচিংদগী গাড়ি তেংদুনা মফম খংদনা কৌই চৎ চৎখি।

তুদা মহাক্না মহাক্কী মরি মত অমগী য়ুমদা থুংলবা মতুং থৌদোকশিং অদু খংহল্লবা তুদা ইমুং মনুংগা পাউ ফাওনখি। মদুদগী মহাক্না ইমুং মনুংগা লোয়ননা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনদা থৌদোক অদুগী ৱারোলশিং পাউমখি। মদুদা মহাকপু লম্ফেল পুলিসনা ফারগা অহিং অমা লোকপতা থমখি। তুদা মহাকপু লম্ফেল পুলিসনা মরাল লৈতে হোয়না থদোরকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতুংদা বসন্তবু অসাম রাইফলসকী কাঙবু অমনা ফারগা ওৎপী-নৈবী হায়বসি খংলকখিবনি। বসন্তবু ফারগা অসাম রাইফলসনা ওৎ-নৈবসি মহাক্না করিগুম্বা হিরম অমত্তদা মরি লৈনদে। নুমিৎ অদুদা মখোয় অনি থবক অমগী পুল্লগা য়াম্না নুংঙাইনা মফম কয়াদা হিদাক থক থক্তুনা লম্ফেল তম্না লাকমিন্নবদা লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

নুমিৎ অদুদা মহাক্না কা হেন্না কিবদগী সিভিল দ্রেসতা লাকপা নন মণিপুরীশিং অদুনা বসন্তবু ফু-চৈবদুদা মতেং পাংবা ঙমখিদ্রবসু হৌজিক বসন্তনা দরকার ওইবা মতমদা থৌদোক অদুগী মতংদা চপ চাবা ৱারোলশিংগী শাখি পীন্নবা লৈ। মসিদা কনাগুক্না মাবু লান্না লৌবীদনবা অমদি নুমিৎতুদা কিবদগী বসন্তগী মতেং পাংলমদনা চেল্লকপদা লান্না খনবীদনবা মহাক্না মখা তনা আপিল তৌখি।

অফবা মহৈরোয়শিং ওকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিতিগী মীৎয়েং মখাদা এমসু ৱাঙ্গোই ৱাঞ্চনা শিন্দুনা ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা অফবা মহৈরোয়শিং ওকপগী থৌরম অমা ঙরাং ৱাঙ্গোই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না এমসু ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনসম প্রিতিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তরক্লিবদি, থৌরম অদুদা ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগী এমএলএ ওইনাম লুখোই, এমসু হেদ ক্বাটরগী সেক্রেটরি জেনরেল হাওবিজম চলাম্বা অমদি দাইরেক্টোরেট ওফ এদুকেসন (এস) কী প্রিন্সিপাল ওফিসার ওন স্পেসিয়েল দ্যুটি বেদান্তম সেসনা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা হন্দক পাঙথোকখিবা বোসেম, কোসেম অমদি সিবিএসই না লৌবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংদুনা মায় পাকখ্রবা মহৈরোয়শিংদা অসম্বা খুদোলশিং পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি হায়রি।

উ চারাশিং থাখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দে গা মরি লৈননা অকোয়বগী খল কায়হন্দনা থন্নবগী পান্দমদা নিংথৌখোংদা লৈবা ১৬৫ শুবা টেরিটোরিয়েল আর্মি অমদি লাইওন্স ক্লব নিংথৌখোংনা পুন্না শিন্দুনা ঙরাং নিংথৌখোং আইটিআই গ্রাউন্দা উ চারা কয়া থাখ্রে।

টেরিটেরিয়েল আর্মিগী লেফটনেন্ট কর্নেল রোহিত শ্রিভাসতবকী লিচিং মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নিংথৌখোং মমাং গভর্নমেন্ট জুনিয়ার হায়স্কুলগী মহৈরোয়শিং, লাইওন্স ক্লব নিংথৌখোংগী মেম্বর, টেরিটোরিয়েল আর্মি পার্সোনেল, নিংথৌখোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন কে মণি অমদি ক্লবগী থৌমীশিংনা শরুক য়াখি।

লুপা লাক্ষ ২৮ গী সেক্যুরিটি ...

চানিং তৌথোকখ্রবা শেনফম অসি মমাং চহীগী মে ১ দগী সেপতেম্বর ৩০ ফাওবা পুন্না থা ৬ কীনি। তেঙান তেঙানবা এসইআর চাদিং ওইনা মপানগী ফোর্সশিংগী একোমোদেসন সাইটশিংদা মৈ পীবগী ইলেক্ট্রিক চার্জ ওইনা লুপা ২৭, ৩১, ৫৯২ অদুগা ঈশিং পীবগী ৱাটর চার্জ ওইনা লুপা ৫৮, ৯৭২ পুন্না লুপা ২৭, ৯০, ৫৬৪ (রাওন্দঅপ তৌবদা লুপা লাক্ষ ২৮ লোম) অসিনি।

সরকারনা ক্লেম তৌরিবা শেনফম অসি চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ১৭ তা ফমখিবা এসআরই ষ্টেন্দিং কম্মিতিগী মীফমনা এপ্রুভেল পীরবা মতুংদা মণিপুর পুলিসকী দিজিপিনা হন্দক হোম দিপার্টমেন্টতা ইরকপা চিঠিগী মতুং ইন্না দিপার্টমেন্ট অসিনা ক্লেম তৌবগী চিঠি অদু মিনিষ্ট্রিদা থাখিবনি হায়রি।

লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা তোঙান ...

মখা তানা ভারত সরকার অমসুং এন এস সি এন (আই এম) অনিগী মরক্তা অমুক হৌখিবা চহি ২০১৫ গী অগষ্ট তাং ৩ দা ফ্রেম ৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমা সহি তৌনখি। অদুবু এগ্রিমেন্ট অদু করিনো হায়বা হৌজিক ফাওবা ভারত সরকারগী মায়কৈন্দগী হায়দোকউ হায়বা য়াদ্রি। রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট অসিগী সেক্সন সিক্সকী মখাদা ইনর্ফোমেসন অদু করিনো হায়বা খঙনবা থারুরে। অদুবু ইনফোর্মেসন অদু সেক্যুরিটি দোমেইন দা লৈ। মরম অসিনা লো এন্দ ওর্দর দা অকাইবা পীরকপা য়াই হায়দুনা ফ্রেম ৱার্ক এগ্রিমেন্ট গী মতাংদা থারুবা আর টি আই অদুদা হায়দোরকউ হায়বা য়াদ্রে অথিংবা থমখ্রে। অদুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী লেভেল ফাওবদা মণিপুরগী ঙমখৈগী অপুনবগী শরুক্তা শিংনবা অমদি অহোংবা অমত্তা লৈহল্লোই হায়রগা খঙনবা হোৎনবদা ভারত সরকারনা হায়দোক্তে। মসিনা তাকপদি ভারত সরকারনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম অমদি জিওগ্রাফিকেল ষ্ট্রকচরদা লমগী ঙমখৈদা কাইহল্লোই হায়রবসু মখোয়গী ৱাখলদা করিগুম্বা অমদি লৈ হায়বনি। মমাংদা য়ু সি এম, অমুকো অমসুং সি সি এস কে না পুন্দুনা এগ্রিমেন্ট অদুগী মতাংদা ইন্টরলোক্যুটর ওইরিবা আর এন রবি গা তাঙ্কক অনিরক থোক্না ৱারি শন্নদুনা খঙদোক্লবা হোৎনবা লৈখ্রে অদুবু খঙবা ঙমখিদে। মসিনা তাকপদি মপুং ওইনা এন এস সি এন (আই এম) অমদি ভারত সরকার অনিগী মরক্তা চথরিবা শান্তিগী ৱারি অসিনা মণিপুরগী ঙমখৈগী শরুক্তা মতম অমদা হেক্তা করিগুম্বা খরদি এফেক্ট তৌহন্নবগী খোঙথাং অমা ভারত সরকারনা লৌশিনখ্রবরা হায়বসিনি। মসিনা ঙসি ফাওবদা হিষ্টোরিকেল, জিওগ্রাফিকেল অমসুং কলচরেল ষ্টেতস-কো নচিংবা পোইন্ট তরুক অসিদা শুপচিন্দুনা খঙহল্লবা মতুংদা হিরম অমত্তদা কমপ্রোমাইজ তৌবা য়ারোই হায়বসিনা মণিপুর মীয়ামগী লেংদ্রবা ফিরেপ ওইদুনা লৈরি।

হৌখিবা চহি ১৯৭২ দগী হৌদুনা মণিপুরগী চিং অমসুং তম অনিমক্তা ঙসিফাওবা লৈরকখিবা পোলিটিকেল ইলেক্তেদ লিদরশিং অদুনা ষ্টেট অসিগী লৈঙাকপা লুচিংবা অমা ওইবগী তৌফম থোকপা চপ চাবা দ্যুটি তৌদবা, অমত্তা ওইনা পুন্সিন্নদুনা ষ্টেট অসিগী চিং অমসুং তম অনিমক্তা খুন্দামিন্নরিবা লৈবাক্কী প্রজাগী য়াইফগদবা থবক থৌরম কয়াগী মতাংদা নিংথিনা পাউ ফাওদোকপীদবা খঙহনবীদবা লিদর ওইনদি লৈরগা মশা মশাগী মতম লৌনবা মতম লেন্নবা হোৎনখিবা অদুনা মরম ওইরগা লৈখিবা গেপ অদুনা ঙসিগী অসিগুম্বা ফিভম অসি লাকখিবনি। মরম অসিদা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা জাতি কাংলুপ ফুরুপ খুদিংমক্না খঙমিন্নদুনা ভাপ তমিন্নদুনা মণিপুরগী ঙমখৈ অপুনবগী শক্তম অমত্তা ওইনা ঙাকমিন্নসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা আইমোল ত্রাইব য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট আর টি অখেল আইমোল না হায়, মণিপুর অসি চিং অমসুং তম অনিনা পুল্লগা শেম্বনি। চিংখক্তনা মণিপুর কনবা য়ারোই অদুগা তম খক্তনা মণিপুর কনবসু য়ারোই চিং তম অনিমক্তা খুন্দামিন্নরিবা জাতি কাংলুপ ফুরুপ খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুন্সিন্নবা ৱাখল মান্নবা পাউ ফাওদোক্লবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

সমরেন্দ্রগী থৌরম থুগায়নবা হোৎনখিবা তরাইনা লৌদে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ লৈখিদ্রবা অরাম্বম সমরেন্দ্রগী ১৭ লক শুবা নিংশিং থৌরমগা মরি লৈননা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ুপিএফ) অমদি আর্টিষ্ট ত্রেনিং কম রিসার্চ সেন্টর (এটরেক) না শিন্দুনা চংলিবা থা অসিগী ৯ অমসুং ১০ দা ইম্ফালগী জিএম হোলদা ষ্টেকী থাক্ত পাঙথোকখিবা লৈবাক নিংবা ঈশৈ চাংদম্নবগী থৌরম প্রোগ্রাম কন্দক্ত তৌরিবা সেনিয়ার রিপোর্টর ওকেন্দ্রো খুন্দোংবমবু থৌরম অদুগী পাউ লৌগে হায়দুনা ষ্টেজতগী কৌথখ্রবা ঈচেল এক্সপ্রেস পাউমীনি হায়বা মাইস্নাম বিশ্বজিৎ লুৱাংনা হাৎনবা হোৎনরম্বা অসি লাইবক থিবনি হায়না আর্টিষ্ট ত্রেনিং কম এদুকেসনেল রিসার্চ সেন্টরগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তরক্লিবদি, লৈবাক্কী ওইনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মথৌনা ফম্না ষ্টেজত কাররক্লগা থৌরমগী পাউ লৌগে হায়না কৌথোক্লগা খুৎ থারম্বদগী শোক্তুনা রিমস হোস্পিটাল অমদি রাজ মেদিসিতিদা লায়েংদুনা লৈরকখিবা ওকেন্দ্রোগী ফিভম কম্দৌরি হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসকী এদিটর অমদি অমজুগী মায়কৈন্দগী করিগুম্বা অমত্তা হংবা লাক্তবসি মনুংদা করি লৈবগে হায়বদু লুপ অসিনা খংনিংই।

ওকেন্দ্রোনা অরানবা থবক তৌরম্লবসু থৌরম নুমিৎ অসি নত্তবা অমদা তৌরম্লবদি লৈবাক মচা তাই খল্লমগনি। লোয়ননা থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুংদা অমজুনা কনানা লাল্লিবনো হায়বদু ঙসি নুমিৎ ১০ নি শুরবা ফাওবদা খংশিন্নদনা লৈথোকপা অসিনা জর্নেলিষ্টশিংগী অৱা-অনাদা কয়াম পুক্নিং চংবগে হায়বদু তকচরে।

থৌদোক অসি এটরেকনা লুম্না লৌবগা লোয়ননা থৌদোক অসিদা হকথেংননা চেন্নরিবা মাইস্নাম বিশ্বজিৎনা থৌরম থুগায়নবা হোৎনখিবদুগী চপ চাবা মরম নুমিৎ ৫ নিগী মনুংদা মীয়ামদা শেংদোরক্কদবনি। করিগুম্বা শেংদোরক্তবা থোক্লবদি আইনগী ওইবা মতেং লৌরগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তরক্লি।

মণিপুরদা বিজেপিনা ষন হাৎপা...

হোৎনবদা অকনবা মীৎয়েং চংলি। জাতি বিজাতি খায়বগী ৱাফম বিজেপিদা লৈতে। সবকা শাথ, সবকা বিকাশ হায়বা অসিগী মখাদা থবক তৌরি।

মণিপুরদা লাইরবা ইমুংগী মীওইনা সরকারগী হোস্পিটালদা লায়েংবদা টেষ্ট মখল ৫৭ ফ্রীদা তৌহনলগনি। সরকারগী মায়কৈন্দগী পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনরি।

মণিপুরগী মুস্লিমশিংনা শোথরিবশিং অদু থিগৎতুনা হেলথ সেক্টর, এদুকেসন অমসুং সেল্ফ ইমপ্লোইমেন্ট হায়রিবা ৱাফম অহুম অসিদা মুস্লিমশিংনা অকনবা মীৎয়েং চংবীরো। মণিপুরী মুস্লিমশিংগী আইদেন্টিটি অসি কনানসু মুখৎপা ঙম্লোই। মণিপুরী মুস্লিমশিংবু মণিপুরদগী কনানসু তাম্থোকবা ঙম্লোই। ইশা ইশানা ইশাগী আইদেন্টিটি মুখৎচগে হায়বদি খঙদে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা মীতে-পাঙল হায়না খঙনরিবা মুস্লিমশিং অসি মীতৈ নিংঙোলগী মচা নৎতে হায়বা কনানসু হায়বা ঙম্লোই। নৎতে হায়বা ঙম্লবদি থোকপীরকউ। ঐখোয়না পোক্লিবা ইরমদম অসিবু ঙাকমিন্নবা হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্কী ইথৌদাংনি। মণিপুরদা ষন চাবদা থিংলে হায়বগী পাউ লৈরগদি খুদক্তা মহাক্কী মফমদা পাউ পীবিয়ু। ষন চাবা থিংলে হায়বা মীওই অমত্তা পুথোকপীরকউ। বিজেপিনা থিংলিবা মীওই অদু লেম্না খক থারোই।

মণিপুরদা পোকপা অমসুং মণিপুরদা শিরগদবা মীতে নিংঙোলগী মচানি হায়নরিবা মুস্লিমশিংনা মখোয় মশা অসি মাইনোরিটিনা হায়না পুক্নিং শোঙ্বগী মথৌ তাদে। মণিপুরী মুস্লিমশিং অসি মাইনোরিটিনি হায়না খঙ্গরগসু মহাক্কী মীৎয়েংদদি মাইনোরিটিনি হায়না খক লৌরোই।

মণিপুরগী মুস্লিমশিংনা শোখনা লৈবগী মরম অদু থিদোক্তুনা হেন্না চাওখৎনবা হোৎনবা তাই। মণিপুরী মুস্লিমশিং অসি লমদম অসিদা পোকপনি, লমদম অসিদা শিগদবা ঙাক্তনি। মণিপুরী মুস্লিমশিংগী মরক্তগী অফবা মহৈরোই কয়া পুথোক্লবা এদুকেসনদা অকনবা মীৎয়েং চংসি। মণিপুরী মুস্লিমশিংগী হিংবগী ষ্টেন্দর্দ হেনগৎহন্নবা সেল্ফ ইমপ্লোইমেন্ট হেন্না ফগৎহনবা দরকার ওই।

সরকারগী থবক ঙাক্তা নত্তবীদা শেম্লোক লম্বী লৈহন্দুনা মশানা মশাবু থবক পীজনবগী উপায় শেম্বীনবা সরকার অসিনা হোৎনগনি। মাইনোরিটিগী এমওবিসিদা সেল্ব ইমপ্লোইমেন্টকী স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং এদুকেসনন্না অকনবা মীৎয়েং চংসি।

লমদম অসিদগী ময়াই কাবা নিশা কয়া পুন্না থিংমিন্নসি। নিশা ফাগৎপা অমসুং মরু ফংনা মুখৎপদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু। মীয়ামগী মতেং য়াওদনা সরকার অসি চল্লায়বা ঙম্বা নত্তে।

মীয়ামদগী টেক্স লৌদুনা ইম্ফাল বজার মনুংদা খিনখিবা ত্রাফিক সিগনেল অদু অহানবা খিল্লকপদা চাওখৎপা সিটি অমা ওইরগদবোই নিংলুই, অদুবু সিগনেল হেক খিল্লম্বগা নোংঙানবগা য়াখিদ্রে। সিসি টিভি কয়া খিন্দুনা বজার মনুংদা হুরান চিন্থি অমসুং বোম পোকখায়হনবদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎলগনি খল্লম্বা অদু নোংঙানবগা সিসি টিভি কেমেরা অদু য়াখিদ্রে।

সিএমনা মখা তানা হায়, মণিপুরগী লম্বী, মৈ অমসুং ঈশিং ফগৎহনবা হায়বা অসিদি সরকারনা অদুম তৌগদবা লৈরবা ঙাক্তনি। খ্বাইদগী মরুওইবদি হ্যুমেন দিভলপমেন্ট হায়বা অসিনি। ঐখোয় পুম্নমক্কী থাজনবা হায়বা অসি মাঙদ্রগদি লমদম অসিদা চাওখৎপা অমসুং শান্তি পুরকপা ঙমগনি।

মহাক্না মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর হেক ওইরকপগা উখ্রুলগী য়াম্লবা মীয়াম্না উখ্রুলদা ওকপীখিবা অদু মমাংদা লৈরম্বা সরকার অমত্তগী মতমদা তৌখিদ্রিবা অমনি। সেনাপটি বজারদা বরাক ফেষ্টিভেল তৌবদা তিনখিবা মীয়াম্না ঐহাকপু তরাম্না ওকপিখিবা কয়া অদু ঐখোয় মশেলগী মরক্তা থাজনবা অমা লৈবদগীনি। থাজনবা লৈত্রবদি লমদম অসিদা শান্তি পুরকপা খক ঙম্লোই।

ঐহাক হৌজিক চিফ মিনিষ্টর অমা ওইরে হায়দুনা খক পোখাদুনা লৈরোই। লমদম অসিদা লৈরিবা জাতি কাংলুপ খুদিংমক্কী ৱাখল্লোনদা ঐখোয় অমত্তনি হায়বগা লোয়ননা পুনশিননিংবগী ৱাখল পোক্লক্লিবা অসিদা চাওথোকচবা ফাওই।

সিএম বিরেননা হায়, ঐহাক্কী মণিপুরগী মীয়াম্না য়ানিংদবা থবক অমত্তা ঐহাক্না খক তৌরোই। মীয়াম অমসুং সরকার পুন্না চৎমিন্নদুনা লমদম অসিবু চাওখৎপা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি।

মণিপুরগী মাইনোরিটিশিংগী চাওখৎ থৌরাংগী লৈরিবা এমওবিসিদা অরানবা তৌরম্বা খরা থেংনরে। মমিং লৈতবীদা স্কোলরশিপকী শেনফম লান্না লৌথোকপা য়ানবা মমিং লৈতবা অঙাংগী মিংদা শেল লৌথোক্লম্বা থেংনরে। ওজা খনবদা মার্ক শুদবা, ক্বালিফাইদ ওইদবা ওজা খনজিনবা কয়া লৈরম্বা থেংনরে। মদু পুম্বা মহাক্কী সরকারগী মতমদা খক তৌহল্লোই।

হৌজিক লৈরিবা মণিপুর সরকার অসিদা ঐগী মীগী হায়বা খায়দোক্তুনা থবক খক তৌরোই। তৌবা ঙমগদবা থবক্তা তৌগনি, তৌবা ঙম্লোইদবা থবক্তা খক তৌরোই। ত্রান্সপরেন্সি ঙাক্না চৎকনি। লাইনিং লাইশোলগী অমসুং ফেমিলিগী হায়বা ৱাফম খক থম্লোই। চপ মান্নবা মীৎয়েং অমগী মখাদা থবক তৌগনি। ঐখোয় অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোনদা থবক তৌগনি।

লমদম অসিদা লৈরিবা জাতি ফুরুপ খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা তুংগী চাওখৎপা মণিপুর অমগী মঙলানদা পুন্না চৎমিন্নসি। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমনা অমবু চিংনবা মীৎয়েংদা য়েংবা তোকসি। মীয়ামগী পেন্দবা অমা য়াওরকপদা ঐহাক্কী মফমদা খঙহনবীয়ু। ঐখোয়না তাইবং শেম্বা মপুবু খুরুম্লিবা অসিগী মঙ্গল ঙাক্না থবক তৌমিন্নসি।

মণিপুরগী মুস্লিমশিং অসি মপাল্লমদা লৈরিবা মুস্লিমশিংদগী হন্থবা নৎতে। লাইরবা, নোংমগী থবক শুর-নোম্লগা হিংবা ইমুংনা মশিং হেনলি। মুস্লিমশিংগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা মহাক্কী মায়কৈন্দগী হোৎনবা য়াবা হোৎনগনি হায়খি।

ইফটারগী থৌরম অদুদা এমওবিসিগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি অসাবউদ্দিন অমসুং শক্লাইরবা মুস্লিম অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগী মকোকথোংবা লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি।

HELPINGHAND
Lottery cum Tender
- STOP PAYMENT SAVING SCHEME - Half Monthly Draw (*2wise / month*)
WINNER Amount Rs. 4 Lakh.
Per Draw Amnt. Rs.1000/-
Few Shares are remaining - Join till 20 June 2017
HelpingHand Finance Service (Office hrs. 10 pm - 5pm)
(Govt. Registered) *Head office:* Paona Bazar, The Manipur Women's Co-operative Bank Building, Imphal, Phone. 0385-2441294 / 8974877505

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD
MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI
10th Times Installment to be paid Within 5 Years
GET SCHOLARSHIP BENEFIT OF UPTO 20 LACS
MBBS in INDIA, KYRGYSTAN, CHINA, KAZAKH & PHILIPPINES
NO DONATION
NO PROCESSING FEE
NO VISA FEE
EDUCATIONAL LOAN AVAILABLE
We provide special coaching for ANATOMY, BIOCHEMISTRY and PHYSIOLOGY by our RENOWNED PROFESSORS with audio and visual class Beforehand
BDS in INDIA (no donation) Top Colleges Recognised by DCI
Agriculture, Forestry, Horticulture & Fishery at Dehradun (TOP & OLDEST COLLEGES IN INDIA)
BAMS Ayurvedic Few SEATS
B.Tech/BE @ Rs. 70,000/yr) Civil, Mech, EEE, ECE, IT, ARCHITECTURE & CSC
B.Sc. Nursing, GNM & BPT (Physiotherapy) at Guwahati & Bangalore
Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy, Imphal East
9856167106 7005683347
Visit us at :- www.luwangedutrust.com